

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL,SUNDAY, MARCH 26, 2017 **PAGE 7**


*জর্মনি অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা জর্মনিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা লুকাস পোদোলস্কিনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওনা ফোঙদোক্লুনা চেহ্নোরকপা*

*ইন্দিয়ানা ধরমশালাদা শান্নরিবা মরিশুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেটচকী অহানবা ইন্নিংসতা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উত্তুনা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ষ্টিবন স্মিথ*

## ২৭শুবা গভনর্স কপ ইনভাইতেসন পোলো টুনার্মেন্ট
## এম পি এস ক্লব (বি)গা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবকা ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা তিম ১০না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরক্লিবা ২৭শুবা গভনর্স কপ ইনভাইতেসন পোলো টুনার্মেন্টগী ঙসি শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেটচ ২দা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি)বু পানজল ৬–৩দা অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বী)না এক্স পোলো ক্লবপু ৫–২দা মাইথিবা পিখ্রে। নিংথৌকবা নুমিৎতা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বী)না লম্বা তৌনরগনি।

ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি)না লম্বা তৌনখিবা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচকী অহানবা চক্করগী ১.০৯ মিনিট চৎপা মতমদা ইবুধৌগী জর্সি নম্বর ৩না অহানবা পানজল চনখি। অনিশুবা চক্করগী ১.০৯ অমদি ৬.০৮দা ইবুধৌগী জর্সি নম্বর ৩ পি ওজিৎনা অনিশুবা অমদি অহুমশুবা পানজল চনখি। চক্কর অসিমক্কী ৪.০৯ চৎপা মতমদা মণিপুর পুলিস ওইনা অহানবা পানজল জর্সি নম্বর ৬ ভাইকিং সলাম্না চন্দুনা পানজল অমা হন্দোকখি।

অহুমশুবা চক্করগী মিনিট ২.৫৪ অমদি ৬.৪৭ চৎপা মতমদা ইবুধৌগী জর্সি নম্বর ৫ কোকেশ্বর অমদি জর্সি নম্বর ৬ এম দোরেনা মথংসিৎনা মরিশুবা অমদি মঙাশুবা পানজল চনখি। মরিশুবা চক্করগী মিনিট ৬.৩১দা জর্সি নম্বর ৬ এম দোরেননা তরুকশুবা পানজল চনখি।

মণিপুর পুলিসকী ওইনা অনিশুবা অমদি অহুমশুবা চক্করগী মিনিট ৩.৩২ অমদি ০.৫১ চৎপা মতমদা তিম অসিগী জর্সি নম্বর ১ এস অবুংচানা অনিশুবা অমদি অহুমশুবা পানজল চনখি।

এক্স পোলো ক্লব অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বী)না লম্বা তৌনখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচকী অহানবা চক্করগী মিনিট ৩.৪৩ অমদি ৫.৫৭ চৎপা মতমদা মণিপুর পুলিসকী জর্সি ৩ টি প্রদিপকুমার অমদি জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ কাওবনা পানজল অমমম চনখি। অনিশুবা চক্করগী মিনিট ০.৪৬তা তিম অসিমক্কী জর্সি নম্বর ৩ টি প্রদিপকুমারনা পানজল অমগা অমুক হন্না চনখি। অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করগী মিনিট ৫.৫৩ অমদি ৬.১৮তা তিম অসিগী জর্সি নম্বর ৪ পি জোতিন অমদি জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ কাওবনা পানজল অমমমগা চন্দুনা মাই পাকখিবনি।

এক্স পোলো ক্লবকী ওইনা মেটচ অদুগী অহানবা, অনিশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা পানজল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অনিশুবা চক্করগী মিনিট ২.৩৩ অমদি ৩.০৫ চৎপা মতমদা তিম অসিগী জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ জেকোবনা পানজল অনিখত্তমক চন্দুনা মাইথিহৌখিবনি।

## ১৪শুবা মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুনার্মেন্ট ২০১৬–১৭
## মোদেল ক্লব (বি) না ৰিকেট ৪দা মাই পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমদি মোডেল হয়ার সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৪শুবা মণিপুর ভেটেরান্ট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট, ২০১৬–১৭কী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোদেল ক্লব (বি) না কে এস সি লম্বুলেনবু ৰিকেট ৪ দা মাইথিবা পিখ্রে। ৰিকেট ৩ লৌবগা লোয়ননা রন ৬ স্কোর তৌবা ঙমখিবা মোদেল বীগী প্যারেলাল মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

মোদেল বী অমদি কে এস সিগা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুগী তোচ কে এস সিনা মাই পাক্কুনা বেট্টিং হান্না খনখি। মদুদা অপিবা ৩০গী মনুংদা ওভর ২৯.৫ দা ৰিকেট ১০ তুরগা রন ১০৬ স্কোর তৌখি। মদুগী পাউখুম ওইনা অপিবা ওভর ৩০গী মনুংদা ওভর ২৪.২দা ৰিকেট ৬ তুরগা রন ১০৯ স্কোর তৌদুনা মাই পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংসতা কে এস সিগী মোনপিনা বোল ৬৬গী মনুংদা রন ৪৮ অদুগা গোগৌনা বোল ১৫ দা রন ১৫ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা মোদেল বীগী দোরেন অমদি প্যারেলানা মথংসিৎনা ওভর ৫ অমদি ৬ তা ৰিকেট ৩/৩, অগ্নি অমদি দেনিমনা ওভর ৬। ৬তা ৰিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা মোদেল বীগী বিক্রমজিৎনা অউট ওইদনা বোল ৩৩ মায়োক্লবদা রন ২০, টি রোনিসু আউট ওইদনা বোল ১৮দা রন ১৪, বালেশ্বরনা বোল ১১দা রন ১৪ অদুগা দিনিমনা বোল ১৯দা রন ১৪ চেনবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা কে এস সিগী লুলুননা ওভর ৫দা ৰিকেট ৩, লালবোয়না ওভর ৬তা ৰিকেট ২ অদুগা হেলপাউনা ওভর ৪দা ৰিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

টুনার্মেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা দি এস য়ু অমদি এন এ পি এস এনা লম্বা তৌনরগনি।

## এমটিএফসি লৈমখোংনা এসৰাইসি সগাংবু পেনাল্টি সুট আওটতা থোইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ

খুমন লম্পাক্তা চত্থরিবা ৭ শুবা সাহিদ মনোরঞ্জন সি মেমোরিয়েল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এমটিএফসি, লৈমখোংনা এসৰাইসি, সগাংবু টাই ব্রেক্তা ৫–৪ দা থোইখ্রে।

ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা ৭ শুবা সাহিদ মেমোরিয়েল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা এসৰাইসি, সগাং অমসুং এমটিএফসি, লৈমখোংগা লম্বা তৌনবদা অহানবা হাল্ফতা এসৰাইসি, সগাংনা এমটিএফসি, লৈমখোংবু পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

এসৰাইসিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি ইমুনুয়েল অমসুং থাংবোইনি। মখোয় অনীনা মথংশিংনা শান্নবগী ১১ শুবা অমদি ৩০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

অহানবা হাল্ফ অদুগী অপীবা মতমদা লোইশিল্লক্লবা মতুং ইনজুরি টাইমদা এমটিএফসিগী মায়কৈদগী আরএন ঙাতাংমিনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা এসৰাইসি সগাংনা, এমটিএফসি লৈমখোংবু পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৫৬ শুবা মিনটতা এমটিএফসিগী ইবোতোম্বনা পাঞ্জল অমা চল্লগা পাঞ্জল মান্নখ্রবা মতুং মখা তাবা মেটচতা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী টাই ব্রেক কাউনখি।

পাঞ্জল মান্নখ্রবা মতুং টাই ব্রেক কাউনবদা এমটিএফসি, লৈমখোংগী মায়কৈদগী কিক ৫ কাউবদা ৫মক চনখি। অদুগা এসৰাইসি সগাংগী মায়কৈদগী কিক ৫ কাউবদা ৪ চল্লগা কিক অমনা এমটিএফসিগী গোল কিপরনা ফাখিবদগী মেটচ অদু এমটিএফসিনা ৫–৪ দা থোইখিবনি।

## ইটালি, স্পেন, টর্কি, ক্রোএসিয়া, আইসলেন্দ,মেসিদোনিয়া, সর্ভিয়া
## অমদি ওষ্ট্রিয়া মখোয়–মখোয়গী ক্বালিফিকেসন মেটচশিং মায় পাকখ্রে

*পালর্মো,মার্চ ২৫ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী য়ুরোপ লৈবাকশিংগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ইটালি, স্পেন, টর্কি, ক্রোএসিয়া, আইসলেন্দ, মেসিদোনিয়া, সর্ভিয়া অমদি ওষ্ট্রিয়া মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

ইটালিনা য়ুম্ফু ওইদুনা অলবানিয়াগা গ্রুপ (এফ) কী শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা ইটালিগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা পাঞ্জল ওইবা য়াবা বোল অমা অলবানিয়াগী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি এরিয়দা নিয়ম লান্না থিংলুবগীদমক রেফরিনা পেনাল্টি অমা পীখি। পেনাল্টি কিক অদু ইটালিগী দি রোজিনা কাউবদা পাঞ্জল ওইদুনা পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

পাঞ্জল অমা চনখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিংদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকখি। অনীশুবা হাল্ফ অদুসু টিম অনীনা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনদুনা অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক চত্থনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ইমোবাইলনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু অলবানিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা স্পেন অমসুং ইজরেল লম্বা তৌনখি। মদুদা স্পেননা ইজরেলবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরমখি।



*স্পেনগী দেবিদ সিলভা (য়েৎ) না ইজরলেগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা কিক অমা কাউখিবা*

স্পেননা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা সিলভানা পাঞ্জল অমা, অহানবা হাল্ফকী শান্নবগী ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা ভিটোলোনা পাঞ্জল অমা, শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা কোষ্টানা পাঞ্জল অমা অদুগা শান্নবগী ৮৮ শুবা মিনটতা ইস্কোনা পাঞ্জল অমা চনখি।

অমরোমদা ইজরেলগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৭৬ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই রিফেলোভনা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মেসিদোনিয়ানা লৈকটেন্সটেনবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি। গ্রুপ অসিদা স্পেননা মেটচ ৫ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা অহানবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা ইটালিনা মেটচ ৫ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা গোল দিফরেন্সতা স্পেননা হেন্দুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

গ্রুপ (আই) গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টর্কিনা ফিনলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি। টর্কিগী পাঞ্জল অনীমক অদু শান্নবগী ৯ অমদি ১৩ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই টোসুননা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্রোএসিয়ানা য়ুক্রেনবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরমখি। ক্রোএসিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

গ্রুপ (আই) গী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা আইসলেন্দনা কোসোভোবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

আইসলেন্দগী পাঞ্জল অনীমকশান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা অমা অদুগা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেং দা সিগুরোরসননা চনখিবনি। অমরোমদা কোসোভোগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিদা ক্রোএসিয়ানা মেটচ ৫ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা অহানবা পোজিসনদা লৈরি। আইসলেন্দনা মেটচ ৫ শান্নখিবদা পোইন্ট ১০ ফংলগা অনীশুবা অদুগা য়ুক্রেননা পোইন্ট ৮ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

গ্রুপ (দি) গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ওষ্ট্রিয়ানা মোলদোভাবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী ওষ্ট্রিয়াগী পাঞ্জল অনী অদু শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা অর্নাউটোভিকনা অমা অদুগা শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা হার্নিকনা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা সর্ভিয়ানা জিওর্জিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচ অদুদা সর্ভিয়াগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা টাদিকনা অমা, শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা মিট্রোভিকনা অমা অমসুং শান্নবগী ৮৬ শুবা মিনটতা গেসিনোভিকনা চনখিবনি। অদুগা জিওর্জিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিদা সর্ভিয়ানা মেটচ ৫ শান্নখিবদা পোইন্ট ১১ ফংলগা অহানবা পোজিসন্দা লৈরি।

## মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নদাল অমসুং ভেনস
## মায় পাকখ্রে, দিমিট্রোভ অমসুং ভেসনিনা মায়থিহৌরে

*মিয়ামি,মার্চ ২৫ঃ*

য়ুএসএগী সহর মিয়ামিদা চত্থরিবা মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মস মায় পাকখ্রে। অমরোমদা বলগেরিয়াগী দিমিট্রোব অমসুং ভেসনিনা মায়থিহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ইজরেলগী দি সেলাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা স্পেনগী এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা রাফেল নদালনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ইজরেলগী দি সেলাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেট অমা শোত্থরগা ইজরেলগী দি সেলানা অনীশুবা সেট অদুদা মশান্না খরা উৎপা ঙমখ্রবসু স্পেনগী রাফেল নদালনা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

রাফেল নদালনা অহুমশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু য়ুএসএগী টি ফ্রিটজবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৫, ৬–৩, ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্বা জর্মনিগী ফিলিপ কোলস্ক্রেবরনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা নম্বর ১১ সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসনা ব্রাজিলগী হাদাদ মায়াবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।



*মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদাল*

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ভেনসনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ব্রাজিলগী নহা ওইরিবী শান্নরোই হদাদ মায়াগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা ভেনসনা অনীশুবা সেট অদুনা হেন্না ফজরক্তুনা হদাদকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ভেনসনা অহুমশুবা রাউন্দা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৬(৭–৪), ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বা রোমানিয়াগী পিএম টিগকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা চাইনাগী দুৱান য়িংয়িংবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা চাইনাগী দুৱান য়িংয়িংনা য়াম্না ফজবা মশান্না পীরক্তুনা শান্নরকপদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। অদুবু টাই ব্রেক অদুদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ৭–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকখিবদগী চাইনাগী দুৱান য়িংয়িংগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

কর্বরনা অহুমশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু রুশিয়াগী দি কসাটকিনাবু সেট ৬–৪, ৭–৫, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বা য়ুএসএগী এস রোজর্সকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হন্দক্তা বিএনপি পরিবাস ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী রুশিয়াগী ইলিনা ভেসনিনাবু ক্রোএসিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৫৯৪ ওইরিবী এ টোমজানকোভিসনা ৩–৬, ৬–৪, ৭–৫ দা থোইরমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভবু আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেল্লানা ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিহৌদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।